ꯏꯔꯥꯢ, ꯖꯨꯟ ꯰꯷, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯳ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯶꯹ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

ইরাই, জুন ০৭, ২০১৯, ইম্ফাল

৪৩শুবা চহী, ৬৯শুবা মশীং

# এ টি এম বুথশিংদা শেল য়াওদবা

## মীয়ামদা মপূং ফানা কান্নহন্নবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই

কুমজা ২০১৪ দা পাঙথোকখিবা মমাঙগী লোক সভা মীখলদা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না লুচিংবা নেসনল দেম্মক্রেটিক এলাইয়ন্স (এন দি এ)না মায় পাক্তুনা লৈঙাক শেমখ্রবা মতুংদা কেশ ট্রাঞ্জেক্সনদা অহোংবা কয়া লৈহন্নবা হোৎনদুনা লাকখি। কুমজা ২০১৬ কী নবেম্বর ৮ দা মতমদুগী লুপা ১০০০ চৎপী অমসুং লুপা ৫০০ চৎপী চৎনদ্রে হায়না লাউথোক্তুনা ব্লেক মনি ফাগৎনবা থৌরাং লৌখৎপা হৌখি। কেশলেস ট্রাঞ্জেক্সনদা হেন্না মায় ওনশিন্দুনা দিজিটেল ইন্দিয়া ওইহন্নবা হোৎনবরোমদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙদুনা লাকখি। মণিপুরগী ওইনদি কেশলেস ট্রাঞ্জেক্সন মায়পাকপা ঙমদবগা লোয়নননা লৈবা-য়োনবগী থবক-থৌরম খুদিংমক্তা শেল ওইনা শীজিন্নরি। বেঙ্কতা চৎলগা শেল লৌথোকপদা মতম মাঙবা মরম্না অয়াম্বা মতমদা মীয়াম্না ওটোমেটিক টেল্লর মেছিন (এ টি এম) বুথশিংদগী শেল লৌথোক্লরি। অথু-অকাইগী শেল খরা লৌথোক্লবা মীয়াম্না এ টি এম বুথশিংদা চৎলুবদা 'কেশ ইজ নোট এভাইলেবল প্লিজ ভিজিট নিয়রবাই এ টি এম' অমসুং 'দিস এ টি এম ইজ টেম্পররিলি আউট ওফ সর্ভিস' হায়না এ টি এমগী স্ক্রিনদা থারম্বা হেক-হেক থেংনরি। মৈ লাক্তবদগী সিগনেল ফংদবা অমসুং এ টি এমগী স্ক্রিন পূম্মম মল্লগা লৈরম্বসু তোয়না থেংনরি। মসিনা মরম ওইরগা অহল ওইরবা পেন্সনরশিং, সিনিয়র সিটিজনশিং অমদি কনা লৈজদ্রবা অহলশিংনা এ টি এম বুথ অমদগী অমদা চৎপদা গাড়ী কুঙবা লন্থী লান্থোক-লানশিন তৌবদা খূদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি। পাঙ্গল ময়েং তারক্লবা অহলশিংনা তঙাইফদবা শেল খরা লৌথোক্লবা এ টি এম বুথ অমদগী অমদা কোইচৎ চৎপদা গাড়ী কুঙনা চেনবা লন্থী লান্থোক-লানশিন তৌবদা খূদোংথিবা নংগদ্রা খনবদা অৱাবা ওইরি।

মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা ব্রাঞ্চ ১০ হাংদোকপগা লোয়নননা এ টি এম বুথ ১৫ হাংদোক্লিবা এক্সিস বেঙ্ক পাওনা বাজার ব্রাঞ্চকী মেনেজর লারিনিগা উনরুবদা এ টি এম বুথ য়েংশিনবগী থবক থৌরম পূম্নমক সিক্যুরিটি ইন্টলিজেন্স সর্ভিস (এস আই এস)না য়েংশিনবনি হায়না ফোঙদোরকখি। এ টি এমশিংদা শেল হাপ্পা অমদি য়ারক্তবা মেছিন শেমজিনবগী থবক থৌরম পূম্নমক এস আই এসনা তৌবনি। তোঙান-তোঙানবা বেঙ্কশিংনা এ টি এম বুথশিং হাংদোকচরবসু এ টি এমদা শেল কয়া য়াম্না য়াওরি অমসুং করম্বা মতমদা শেল হাপচিনবগী থবক তৌই হায়বনচিংবা পূম্নমক বেঙ্কশিং অসিনা য়েংশিন্দে, এক্সিস বেঙ্ককী ওইনা তোঙান-তোঙানবা এ টি এম বুথ ১৫ দা নুমীৎ খূদিংগী লুপা লাখ ২৪ দগী লুপা লাখ ৫০ ফাওবা হাপ্পল্লবসু হৌজিক্তি শুপ্নগী লুপা লাখ ৭ তগীনা লাখ ১০ ফাওবদং হাপ্লে হায়রি। এম জি এভিন্যুদা লৈবা এস বি আই মেন ব্রাঞ্চতা চৎতুনা এস আই এসকী এগজিক্যুটিভ ওপরেটরগা উনরুবদা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না এ টি এম বুথশিংদা শেল হাপ্পগী থবক থৌরম পূম্নমক রাইটর কৌবা বোদি অমগা য়েন্থোক্লরগা এ টি এম বুথশিংদা শেল হাপ্পগী থবক তৌই হায়না ফোঙদোরকখি। এস আই এসনা এ টি এম বুথ ১৪২ য়েংশিনবগা লোয়নননা শেল হাপ্পা অমসুং য়ারক্তুগা শেম্বগী থবক তৌরি। হায়রিবা এ টি এম বুথশিং অদুগী মনুংদা এস বি আইগী ১১৮ য়াওদুনা খ্বাইদগী মশীং য়াম্বা ওইরি। পঞ্জাব এন্দ সিন্দ বেঙ্ককী এ টি এম বুথ অনী, বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী মরি অমসুং অলাহবাদ বেঙ্ককী এ টি এম বুথ ১ খক্তনি। লৈকাই-লৈকাই য়াওনা তোঙান-তোঙানবা মফমদা এ টি এম বুথ কয়া হাংদোক্লে হায়রগসু মীয়ামদা মপূং ফানা কান্নবা ফংহন্দ্রবদি থোইনা কান্নবা লৈতে। এ টি এমদা চাং নাইনা শেল হাপ্পীবগা লোয়নননা য়ারক্তবা মতমদা শেমজিনবীদুনা পুং ২৪ মথৌ তৌহনবা ঙম্নবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### ইরমদম ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী মকোল ওইরে

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

মণিপুরদা ঙসি ঙসিমক ইম্ফাল মোরে লম্বীদগী মশীং খঙদনা দ্রগশিং ফাখ্রে। ফাবা ঙমহৌদবা কয়া অমা ইম্ফাল ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতগী ফাখ্রে। মসিদা লাক্লিবা ৱাফমদি অসুক য়াম্না ফারবা অসিদা পুশিল্লকপা লেপত্রি। মসিদা ফাবা ঙমহৌদবা কয়া অমা য়াওরমগনি হায়বসি ককপা য়ারোহৈদবা ৱাফম অমা ওইরক্লি। ফাখিবা খরনা ফাখ্রে অদুগা ফাবা ঙমহৌদবা কয়া অমনা মণিপুরগী মনুংদা চাইথোরকপদগী নহারোল কয়া ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী ঈপাক্তা ইরাক্লরি। ফানা ফানা পুশিল্লকপা লেপ্তুবা অসিনদি ফাবা ঙমহৌদবা কয়া য়াওখ্রে অসিনি। লমদম অসি ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাবা নহাশিংগা চাদবা নহাশিংগা য়াম্না খেন্নরল্লোই। মালেমগী মনুংদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নবসি মণিপুরনা খ্বাইদগী হেল্লমগনি হায়নরি। মসিদা লমদম অসিগী ময়াই কাবা চিঞ্জাক থিংনবা লৈরিবা মেছিন্নরি কয়ানা মসিবু মরূ ফংনা মুখৎপা ঙমদবসি লমদম অসিগী ওইনদি লাইবক য়াম্না থীবনি। ঙসিগী মণিপুরগী থৌদোক ৱাথোক অঙাং মনা হুৎপা, শোরাৎ, লুহোংবা, ফিরোই, উশোব, যূম শঙ্গাবদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক যু য়াওবা লৈতে। মরুওইনা অঙাং মনা হুৎপা অমদি শ্বষ্টি পুজাদদি মৌনহা ফাওবা মাগী মাগী নুপাগা লোয়নননা চৎতুনা মপান লমদগী পুশিল্লকপা মখল মখা কয়াগী য়ুঙাং শীজিন্নবা থেংনরি। অদুদগী অমুক মী শিবগী পোৎলোইবদা য়ু বোরা বোরা হোন্দুনা পোৎলোইফম মফমদা থক্লরি। মসিদগী থোকহন্নীংদবা ক্রাইম কয়া থোরকপা, নুপী অঙাংগী ঈজৎ ফাওবা লূম্না লৌবীদবা অসিনা লমদম অসি অকিবা ফংলবা ৱাথোক কয়া থোরক্লিবনি। মসিদা নত্তনা তুংগী যূম্বীরেন ওইরক্কদবা কয়া ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তা লুপ্তুনা মখল মখা কয়াগী লায়না নারক্তুনা পুন্সি পিখন্নখিবা কয়া অমসু য়াওখ্রে। মসি কোক্লবা হোৎনবদা ঙসি হেক্তা ঙমগদবা নত্তে মতম খরদি অদুম চঙখিনি। ঙসিগী ইমা ইবেল কয়ানা মরু ওইনা মমাগী শকলোন লৌবিরিবা কয়ানা মচাবু লোৎশিন্দুনা থম্বীদবা,মতম লৈরিঙৈদা মচা-মশু কয়াবু ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তগী কনবা ঙম্নবা হোৎনবা মতম ওইরে। পূম্নমক লৈঙাক্তা ইন্থোকপা য়াদে, মীয়াম ঐখোয়গীসু অকনবা চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎপগা লোয়নননা মতেং পাংবনা কান্নবা ফংগনি। মীয়াম হুপ্পা মান্নরবদি ঙসি ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী মকোন ওইরিবা অসি তপ্না তপ্না অদুম মাঙখিগনি। লমদমসিগী খ্বাইদগী অহানবা মরু ওইবা থৌদাংদি ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী মকোন ওইহন্দবা অসিনি। মসিনা অতৈ অতোপ্পা ইস্যু কয়াদগী অহানবা পায়খৎকদবা মরুওইবা পোৎশক অমনি। ময়াই কাবা চিঞ্জাক্না মীওই কয়াবু লাইচুহনখ্রবদি পূম্নমক অরেম্বনি।

*অদোমগী - এম থম্বৌ, ককচীং খুনৌ হিজম লৈকায়*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৭

১। মণিপুরগী নিংথৌ ফম্বাল লান্দা ইরেংবম থুন্দাংবগী লান অসিসু অমনি। মী য়াম্না শিখি, মশামক ফারগা হাৎখিবনি।
(ক) ফম্বাল লান অদু করম্বা চহীদা থোকখিবগে?
(খ) ফম্বাল লান্দু থোকপা মতমদা লৈরম্বা পোলিটিকেল এজেন্ট অদুগী মমিং হায়য়ু।

২। "লৈরাংত লৈরাংনি ঐগী পামজবা শৈরেংদি/...মাগী নুংশি মঙলান্দা/শানৌ ঙাইহাক মাঙজরবা/য়ারে লৈরাং।" পরেংশিংসি কবিরত্ন লাইশ্রম সমরেন্দ্রগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। "কৈশাম প্রিয়কুমারগী ৱারীমচা অমদা 'নোংনা ফূদিৎ ফূনা চুবা অহিং অমদা পাখঙমচা অমনা কোম তৌবা, অদুগা কোম অদুদা পাখঙদুমক ফূমজিনবীখিবা' উৎলি। ৱারীমচা অদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। "শাৎচনীংবনি লৈরাং কুন্দো ওইনা/নুংশি লংলাদা লেংজরগা/নঙগী ঙকশমদা হুক্লবা" পরেং অহুম অসিনা 'ঐবু লৌবা লাক্কনি' কৌবা শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। অইবী অদু কনানো?

৫। "হোৎনববু কল্লবদি মহয় শোয়দনা চায় উৎপা দ্রামা লাইরিক, 'কপ্পু কপনিংলকইদা' কৌবদুগী চীংমী অইবা অদুগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# চৌকিদার চোর হে : এম পি মীখলদা তাখিবা মমি খরা

**অওনবা মালেম**

**সৌবাম তোম্বা লুৱাং**

কুমজা ২০১৪গী লোক সভা মীখলদা কোংগ্রেস পার্টিনা ফংখিবা এম পি সীট মশীংদু শুপ্নগী ৪৪খক্তনি। মদুগী মীখল অদুদা কোংগ্রেস পার্টিগী প্রসিদেন্ট ওইদুনা অচৌবা থৌদাং লৌরগা ভোট খোমখিবসি সোনিয়া গান্ধীনি। বৃটিশকী মখূৎতগী নীংতম্লবা ইন্দিয়াগী মীখলদা কোংগ্রেস পার্টিনা সিট ৪৪ খক ফংখিবা অদু খ্বাইদগী য়ামদনা মীখলদা মায়থীখিবগী পুৱারী অমা থমখি। মতম অদুদা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট ওইরিবা সোনিয়া গান্ধী প্রসিদেন্ট ওইবগী ফম থাদোকচরে হায়বা লৈখিদে। মহাক মশামকসু য়ু পিগী রাই বরেলিদগী মীখলদুদা মায় পাকখি। চহী মঙাগী মতম লোইখিদুনা হন্দক লোক সভাগী মীখল পাঙথোকখিবদুদা কোংগ্রেস পার্টি শুপ্নতগী এম পি মশীং ৫২ কাখি। চহী মঙাগী মনুংদা হেনগৎলক্লিবসি শুপ্নতগী এম পি মশীং ৮ খক্তনি। রাহুল গান্ধী মশামক কোংগ্রেস পার্টিগী প্রসিদেন্ট ওইদুনা মীখলদা কোংগ্রেস পার্টিনা মেজোরিটি ওইবা ঙম্নবা লৈবাক্কী মফম কয়াদা মীয়াম তিনবা মীটিংদা ভোট খোম্বগী অচৌবা থৌদাং লৌদুনা ভোট খোম্বদা মশামক অমেথিদগী মায়থীহৌখ। মশামক ভোট কাদ্রে অমেথিদগী। পার্লিয়ামেন্টকী অপূনবা এম পি মশীং ৫৪৩ লৈবগী মনুংদা কোংগ্রেস পার্টিনা শুপ্নগী ৫২খক ভোট কাখি। য়াম্না খেন্নরদ্রা ৫৪৩গা ৫২ অনীসে! য়াম্না চাউনা নংলবা মায়থীবা অমা হায়বদুনি। অমরোমদা অকিবা ফংলবা লুরবা ক্রাইসিস/ৱাথোক অমা হায়দুনি হায়বদা হেঞ্জিনমনবা হায়বদু ওইগনি থাজদে। ত্রিপল ফিগর য়ৌবা ঙমদ্রবনিনা সেঞ্চুরি য়ৈবা ঙমদ্রে লোক সভাদা কোংগ্রেস পার্টি কুমজা ২০১৪দসু ২০১৯দসু দেমোক্রেসিগী ক্রিকেট মেচ অনীদা। য়েংবীয়ু মেজোরিটি ওইবা ফংনবগী য়াম্না তঙাইফদনা মথৌ তাবা এম পি মশীং অসি ২৭২ ওইবদা সোনিয়া গান্ধীগী লুচিং মখাদা ২০১৪দা এম পি ৪৪ অদুগা রাহুল গান্ধীনা কুমজা ২০১৯দা ৫২ খক ভোট কাবা ঙমখি। মসিদগী ঐখোয় মীয়াম্না তরং-তরং উবা ফংলে মদুদি পার্লিয়ামেন্টতা এম পি ২৭২ ফংদুনা মেজোরিটি ওইদুনা গভর্ণমেন্ট পায়বা ঙম্নবগী পাঙ্গল অদুদগীদি য়াম্না শাথিনা শোৎথনা তুংদা লৈহৌরে। খন্দুনা য়েংবীয়ু ২৭২গা ৪৪ অদুগা ২৭২গা ৫২গা!

অঙ্ক ফল তাদ্রে। ফনা হৈবা অঙ্কগী ওজা অমনা হোৎলবসু তাবা ঙল্লরোই। অঙ্ক লুবনা নত্তে। থেঙ্খাং অনীরক্তা কোংগ্রেস পার্টিনা অসুক য়াম্না শাথিনা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা শোখরক্লিবসি করিগীনো? মীয়াম্না হেক্তা উরক্লিবসিদি কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট অদু হেক্তা উরকই। মহাক্না লুচিংবদা মতিক চাদ্রবজাৎলা নৎত্রগা চাদ্রে হায়না হেক্তা ঙাঙনরকই। কুমজা ২০১৪দা তৌখিবা মীখল অদুদা কোংগ্রেস পার্টিনা সেন্টরদা গভর্ণমেন্ট পায়রি থংন-থংননা চহী ১০ টর্ম অনীরক। অহুমশুবা চহী ৫গী টর্ম অমুক পায়বা ঙম্নবা মীখল থেংনরকপনি কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীগী লুচিং মখাদা। মদু মায়থীখ্রে। অদুবু মায়থীখিবা অদু দেমোক্রেসি চাউনা চৎলিবা লৈবাক অসিগী ঈৱায়-ঈনিল অমা লৈবদগীনি হায়না লৌবসু য়াই। শম্না এন্টি-ইনকম্বেন্সি ফেক্টর লৈখিবননি হায়বসু য়াই। কুমজা ২০১৪ ফাওবদা সেন্টরদা কোংগ্রেস পার্টিনা লৈঙাকখিবসি লেপ্তুনা চহী ১০নি। মসিনা মরম ওইরগা মীয়াম্না কোংগ্রেসপু পাম্নরক্তবা, য়েংনীংলক্তবা, উনীংবা ফাওরক্তবগী ঈৱায়-ঈনিল লৈখিবননি হায়না লৌবসু য়াই। অদুম্নদি ওইরবদা য়াম্না থাজদনা সিট ৪৪ খক ফংদুনা শাথিনা মায়থীখিবদু হেনমনখ্রে। এন্টি-ইনকম্বেন্সি ফেক্টরনা মরম ওইদুনা সিট ৪৪ খক ফংবা ওইরমগদবা মাল্লক্ত্রে। মসিগী মরুমদা অতৈ মরম কয়া লৈরমগদ্রা হায়বসিনি লৈবাক মীয়াম্না ফাওনখিবসি। লৈঙাক কুইনা পায়শিল্লকপদগী মীয়াম্না অতোপ্পা লৈঙাক অমগী মশক অমমুক উনীংলকপগী তাঞ্জা অদুদা নরেন্দ্র মোদিগী মীয়াম্না হায়নবা ঈথক-ঈপোম অদু য়ৌরকখিবনা মরম ওইদুনা কুমজা ২০১৪দা শুপ্নগী এম পি ৪৪ খক ভোট কাখিবনি হায়নসু লৌরসি। অদুবু কোংগ্রেস পার্টিনা লিশাং শিৎনা সেন্টরদা গভর্ণমেন্ট পায়দুনা লাকখিবনা এম পি মশীং ১০০ ফাওবা য়ৌদবা হায়বসিদনি করি অরুবা মরম লৈরবগে হায়নরিবসি।

কুমজা ২০১৪দগী ২০১৯ চহী মঙা বি জে পিগী নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা গভর্ণমেন্ট লৈখ্রে। মখোয়না সিট মশীং ২৮২ ফংখি। মেজোরিটি ওইনননবা মথৌ তাবা সিট ২৭২ অদুদগী হেন্দোক্লা ফংখি। অদুম ওইনমক বি জে পি অমদি চৎমিন্নরিবা পার্টি ময়ামগী অপূনবা এন দি এনা চহী মঙা পায়খি। অমরোমদা য়েংবা য়াবা পুৱারী ওইখিবা তাঙ্কক অমদি নীংতম্লবা মতুংদা তৌখিবা মীখলদা খ্বাইদগী লীরবা কোংগ্রেস পার্টি নত্তনা লোক সভাদা কনাগুম্বা পার্টি অমত্তনা মেজোরিটি ওইবা ঙমখিদবা অদু বি জে পিনা এম পি মশীং ২৮২ ফংদুনা রেকোর্দ থুগায়খি অমদি রেকোর্দ থমখি। নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক (২০১৪-১৯) মনুংদা শেল চৎনহনখিদবগী, জি এস টি চৎনরকপদগী পোৎ চৈগী মমল তাঙখৎপগী, সী এ বি, লৌমীশিংগী, ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্ট, ত্রিপল তলাক, রাম মন্দির শাবগী, কম্যুনেল ওই হায়বগী ৱাফম কয়া য়ানীংদবা লৈখ্রে। লৈবাক মীয়ামগী ওইবা ঈহৌ কয়া হৌখ্রে। হায়নখি মোদিগী ঈথক-ঈপোম লৈত্রে। কুমজা ২০১৪দা লৈখিবা ঈথক-ঈপোম অদু অমুক হন্না ২০১৯দা হল্লক্লরোই। সেন্টরদা কেংগ্রেস পার্টিনা লৈঙাকপা গভর্ণমেন্ট অমা শোয়দনা লৈবা মীয়াম্না উবা ফংলগনি। মদু লৈবাক মীয়ামগী থাজবগী চাং অদুমক ৱাংখি হায়নসু লৌনবসু য়াই অদুগা অমরোমদা হেক্তা য়াবা নত্তে হায়জনীংই। নাকল অমরোমদা কোংগ্রেস পার্টিগী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা লুচিংদুনা মোদি গভর্ণমেন্টতা মরুওইনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা শেঞ্জা-থুমজা তৌবদগী অচৌবা মরাল অমা শীখিবদু নীংশিংবা য়াই। ফ্রান্সতগী রাফেল এয়রক্রাফ্ট লৈবদা লুপা ক্রোর কয়া মওং মরীল তাদনা হৈনথোকখ্রে অমদি মদুদা লৈবাক মীয়ামগী শেল মাঙহনখ্রে হায়বগী মরাল অমা শীরকখি। লৈবাক মীয়ামগী লন-থুম ঙাক শেন্দুনা শঙদুনা লৈগদবা চৌকিদারদুনা ওইনা পোৎ হুরাল্লে 'চৌকিদার চোর হে' হায়বা ৱাহৈ শীজিন্নদুনা লৈবাক্কী মফম কয়াদা মীটিং তৌবদা হায়খ্রে। কুমজা ২০১৯গী লোক সভাগী মীখল তৌখ্রে। কোংগ্রেস পার্টি শুপ্নতগী সিট মশীং ৫২ কারে, মশীং ১০০ ফাওবা য়ৌবা ঙমদ্রে। সেন্টরদা লৈঙাক অমুক হন্না হল্লক্লরোই হায়রম্বা বি জে পিনা কুমজা ২০১৪দা ফংখিবা সিট মশীং অদুদগী সিট মশীং ২১ হেনগৎনা সিট ৩০৩ ফংবা ঙমখি। মীনা খনবনা অমা অদুগা লায়না তম্বনা অমা হায়বদুনি।

মরম ময়াম অমা লৈদুনসু মী অমনা মী অমদা ফজদবা ৱাঙাঙ-শাঙাঙ মীয়াম মাঙদা শীজিন্নবা হায়বসি তাইবঙ মীওইবনা কয়া পাম্নদে। মীয়াম্না মশা-মশানা পামজবা অমদা ভোট থাদরগা খঞ্জখিবা মীহুৎশিংনা শেল্লকপা গভর্ণমেন্ট অমগী লুচিংবা লৈবাক্কী প্রাইম মিনিষ্টর অমদা 'চৌকিদার চোর হে' হায়বা ৱাহৈসি য়াম্না তোয়না হায়বসিসু খরা হেনমনব্রা? লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীওই কয়া ৱাহৈ অসি তাবদা শাথিনা কল্লক পেনবা য়াওরমগনি। মদুগী ওন্ন-তৈনবদা শাথিনা শাওনীংবা, পেন্দবা মীওই কয়াসু লৈবাক অসিদা লৈরমগনি। হরাওবা অমদি শাওনীংবা মীওই কাঙলূপ অনীসিনা পূনশিল্লগনি ইন্দিয়াগী মীওই ক্রোর কয়া ওইরিবসি। য়ামখ্রবা মীয়াম অসিননি মীখলদা ভোট থাদগদৌরিবসি। মায়কৈ অমরোমদা য়েংলুরবদি ভোট থাদগদৌরিবা মীয়ামদা তায়োন্নবা অমসু থোক্লম্বা য়াই। প্রাইম মিনিষ্টর হায়বসি মীয়াম পূম্নমক্কীনি। হুরানবা চৌকিদার হায়বা ৱাহৈসিদি অমরোমদা য়েংলুরবদি মোদি মশাদা অপান্ননা হায়বা মাল্লক্তবসু নত্তে। কুমজা ২০১৪দা মানা ভোট খোমখিবগী মওং মতৌ অমদি কোংগ্রেসনা শুপ্নতগী সিট ৪৪ ফংদুনা শাথিনা ইকায়বা নংখিবদুগী মরমনিকো হায়বগী নীংঙমদবা লৈবদুনা হায়বা মাল্লি। মখোয়গী লুচিংবশিং, ৱাঙাঙলোয় কয়ানা লৈবাক শিনবা থুংনা য়াম্না তোয়না পেন্না হায়বা উখি। মদুগী মহয় খরসু কুমজা ২০১৯গী মীখলদা ফংখিব্রা? দেমোক্রেসিনি হায়দুনসু ঙাঙনীংবা ঙাঙবা য়াই হায়দুনসু ফ্রীদম ওফ স্পিচ লৈবাক অসিদা লৈ হায়দুনসু মীয়াম্না শেম্বা গভর্ণমেন্ট অমগী প্রাইম মিনিষ্টর অমদা মচিন থীবা ওইদ-পাদা ঙাঙবা হায়না মফম খুদিং য়াম্না তোয়না মীয়াম তিনবা মফমদা হায়বসিসু তাবদা ৱারে হায়বা মশানা তাবনি।

ইন্দিয়া হায়বা চাউরবা লৈবাক অসি চাউরবা য়েক্লবা লৈবাক অনীনা কোয়শিন্দুনা লৈ, পাকিস্তান অমদি চিনা। খোঙফম খজিক্তং শোয়বদা পাকিস্তান্দা কাশ্মীর তিনখিবা য়াই অদুগা চিনাদা অরুনাচল তিনখিবা য়াই। মসি হায় হায়দুনা হেক্তা য়াগদৌববুদি নত্তে। অদুবু লৈবাক অনী অসি খূৎশম্নখ্রে অদুগা ইন্দিয়াদা নিংদোল পোম্বা থবক কয়া লেপ্তুনা চখরক্লি। মসিগী লুরবা ফীভম অসিদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা লৈবাক অসি ঙাক্কদবা মীওই অদু য়াম্না ইচং থৌবা অমদি চঙলি। ভোট থাদগদবা মীচম মীয়াম্না হেক উবদা রাহুল গান্ধী অসি নোপ্লপ লৈব্রা? মসিনা ঙল্লোই হায়বদি নত্তে। মহাক্না মীয়ামদা, পার্লিয়ামেন্টতা হায়দোরকপা ৱাফম, তৌরকপা থবক্না উবা ফংবনি। লৈবাক্কী লুরবা ৱারেপ্পুদি মথৌনা লৈবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইগেরা/ওইরোইরা মহাক মথন্তনা লৌগদববুদি নত্তে। খঙ হৈরবা এদভাইজর ময়াম য়াওনা তান-তিক্নরগা লৌগদবনি। অদুম্নদি ওইরবদা মথৌনা লৈবা লুচিংবা অমগী মথৌদি লৈবাক খুদিংমক্তা ঙসিদি য়াম্না মথৌ তারে। অসুম্না লৈরিঙৈসিদা মথৌনা য়াম্না লৈবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইগে হায়বা লুচিংবা অমা থোক্লকপসিগী মহয় কোংগ্রেসনা কুমজা ২০১৪ অমদি ২০১৯গী লোক সভা মীখলদা মমি তাখি হায়না য়েংবা য়াই। মোদিগী চহী মঙাগী লৈঙাক্তা মীয়াম্না পাম্নবা ৱাৎলে হায়রগা কোংগ্রেস পার্টিনা ইখঙ খঙহৌদনা প্রিয়াঙ্কা গান্ধী ভদ্রবু কোংগ্রেস পার্টিগী মরুওইবা থৌ পুবা হাপ্লক্তুনা চাউনা ভোট খোম্বা য়াওরকপসিনসু কোংগ্রেস পার্টি অসি কুমজা ২০১৪দগী মপাঙ্গল ইকন-কনখৎত্রি অমদি শেল চৎনহনখিদবা লৈঙাক অদু থেংনবা ৱাগনি হায়বগী মমি অমা ভোট থাদগদবা মীচম মীয়ামদা উবা ফংহল্লি। চাউখ্রবা পার্টি অসিগী মীয়াম হুমদুনা পুবা ঙম্বা লুচিংবা লৈত্রবরা হায়বগী ৱাখল ভোটরশিংদা খলহল্লি। অমরোমদা লীরবা পার্টি অসি গান্ধী ইমুং-মনুংগী মথৌ তারিব্রা হায়বসিনি। মদুগী মহয় পার্টি অসিনা ফংখি নৎত্রগা ফংখিদে হায়না অমরোমদা লৌনীংবা মায়কৈদা লৌবসু য়াই। প্রিয়াঙ্কা গান্ধী ভদ্রনা থোক্লকপসি ইন্দিয়াগী মীয়াম্না পাম্নবগী চাং ৱাংলম্বসু য়াই, ৱাংলমদবসু য়াই। ঙসিগী মীয়ামসি য়াম্না খঙলে, উরে, পংতৌ তৌশিনবা য়াদ্রে, ইন্টরনেট/দিজিটেলগী মতমনিনা। প্রিয়াঙ্কানা ইষ্টর্ন য়ু পিগী মীখলগী ইন চার্জনি। অমেথিদা মবুং রাহুল ভোট লেপ্লিবনি। অদুবু মায়থীরে ভোট কাদ্রে। কুমজা ২০১৪দা সিট ৮০ লৈবা য়ু পিদা কোংগ্রেসকী এম পি অনী কাখি। রাহুল অমদি সোনিয়া গান্ধী কাখি। কুমজা ২০১৯দা শুপ্নতগী এম পি অমা কারে। সিট অমা হন্থরে। রাহুল অমেথিদগী কাদ্রে পিয়াঙ্কা গান্ধীনা ইনচার্জ ওইদুনা ভোট খোল্লবসু। সোনিয়া গান্ধী মতোমতা কারে। কুইর-কুইরগা মশীং হেনগৎলকপদি লায়রদুনা হন্থরক্লে। মদু উবদুনা ওইরম্বা তাই পিয়াঙ্কানা থোক্লকপসি। অমরোমদা হৈশিংলবা কোংগ্রেস লুচিংবা ময়ামদুনা হোৎনবদি/হোৎনহনবদি য়াদবরা?

অদুনদি কুমজা ২০১৪দগী কোংগ্রেস পার্টি মপাঙ্গল কনখৎলক্ত্রে হায়বা য়ারে হন্দক্কী লোক সভা মীখলগী রিজল্ট অসি য়েংলুবদা। রাহুল কেরলাগী ৱেনাদতা মীখল থেংনবসিমসু ভোট থাদবা মীয়ামদা পার্টি অসিনা পার্লিয়ামেন্টতা মেজোরিটি ওইবদা ৱারনি হায়না খলহন্দবা নত্তে। সেন্টরদা চহী ১০ (২০০৪-২০১৪) কোংগ্রেসনা গভর্ণমেন্ট পায়খিবা মতমদুদা শেঞ্জা থুমজাগী ৱাথোক য়াম্না থোকখিবদুনসু পার্টি অসিদা ভোটরশিংনা করিনোমা খনবা লৈতবা নত্তে। করিগুম্বা মেজোরিটি ওইরবদি প্রাইম মিনিষ্টর ওইবদা মতিক চারে হায়রিবা রাহুলনা ভোট কাদবা হায়বসিনা ভোটরদা করি পাউজেল পীরিবা?

# ইস্যু কয়ামরুম মায়োক্নরিবা মণিপুরী খুন্নাইনি

**মতম মতমগী ৱাফম**

**সেঞ্জম দেবেন**

ঙসিগী মণিপুরী খুন্নাইসি তশেংনা মশীং থিঙমদ্রবা খোঙজং কয়ামরুম অমা চঙশিনবদা ৱারবা অমসুং চোকথরবা খুন্নাই অমা হায়বদু ওইরে। হৌজিকসু, খুন্নাইসিনা চঙশিনগদবা খোঙজং কয়ামরুম অমা খুন্নাইসিগী মাঙদা তাদুনা লৈরি। হৌখিবা চহী খরসিগী মনুংদা খুন্নাইসিনা কয়াম য়াম্বা খোঙজংশিং চঙশিনখ্রবা অমসুং হৌজিক্লা কয়াম য়াম্বা খোঙজংশিং চঙশিন্নবগীদমক শেম-শাদুনা লৈরিবা হায়বসি অচৌবা ৱাফম অমনি। খোঙজংশিংতনা য়োল্লবা মণিপুরী খুন্নাইগী খোঙচৎনি। খুন্নাইসিদা খোঙজংশিংসি তঙাইফদনা চঙশিন্দবা য়াদবা খোঙজংশিংনি হায়না চঙশিঞ্জরবসু, লৈবাক্কী মরী লৈনবা কাঙলূপশিংনদি কৈদৌঙৈদসু খক তাল্লিবা দিমান্দশিংদুগী মরমদা খন্নবীদে অমসুং দিমান্দশিংদুগী ভেল্যুশিংদু খঙবীদে। অসুম্না মথৌ তাবনা হেঞ্জিল্লকপনা, লমদম অসিদা দিমান্দ অমগী মথংদা দিমান্দ অমা, খোঙজং অমগী মথক্তা খোঙজং অমা মথং-মথং লোনশিল্লকই। খোঙজংশিংসিগী অরুম্বদগী খজিক্তংদা ওইরসু কোমথোকচরগা নীংশা মতেক অমত্তং হোন্দোকচদুনা, চীনবান্দা মোমোন মীনোক মচা অমত্তং তমজবা য়াগদবা নুমিত্তুবু কৈদৌঙৈ ওইরগদগে? ঐখোয়গী ইস্যু কয়াসি চুমথোকপা অমত্তা তৌহৌদনা অসুম্না সুম চখরবদি, মতম খরগী তুংদদি শোয়দনা খুন্নাইসি শাথীবা মওং অমদা হোংখিবা য়াই। ফীভমসি মরী লৈনবা কাঙবুশিংনা খঙজিনবীহৌফম থোকই।

মণিপুরী খুন্নাইগীদমক, মমাঙদা চঙশিনখিবা মশীং থিঙমদ্রবা খোঙজংশিংদুগী মথক্তা, অনৌবা খোঙজং কয়ামরুম অমগী শেম শাবশিংসু খক লেপ্পা লৈত্রি (মথক্তসু হায়জখ্রে)। হৌজিক হৌজিকমক ফোং-ফোং শানা চঙশিন্নবগীদমক, শেম শারিবা খোঙজংশিংগী মনুংদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী সী এ বি (কেব) হায়না খঙনরিবা বিলসি মণিপুরদা চৎনবা য়ারোই হায়না থিংবগী ৱাফমদা চঙশিল্লক্কদৌরিবা খোঙজংসি অমনি। খোঙজংসি অরায়বা অমদি খক ওইরোই। অমনা, মণিপুরদা আই এল পি সিষ্টেম চৎনহল্লু হায়বা খোল্লাউসিগা লোয়নননা চঙলক্কদৌরিবা খোঙজংসিসু তরাইরোই, চপ মান্নগনি। খোঙজংশিংসি অমত্তা থওইদবসু য়ারোই। মণিপুরী মৈতৈশিংবু সিদ্যুল ত্রাইব ওইহল্লু হায়বগী দিমান্দা অকনবা খোঙজংশিং ওইনা চঙশিন্নবগীদমক শেম শাদুনা লৈরবশিং ঙাক্তনি। মণিপুরগী বোর্দর ইস্যুগী মতাংদদি, তোঙান তোঙানবা তাঙ্ককশিংগী ওইনা খোঙজংশিং চঙশিল্লকপা য়াবগী ফীভমশিংসু লৈ। মণিপুরদা থেংনরিবা বোর্দরগী ইস্যুশিংসি মখল খরা থোক্লা খায়দোকপা য়াই। অহানবদা, ইন্দিয়া অমদি বর্ম্মা লৈবাক অনীগী মরক্তা লাংদাইনফম ওইনা লৈরিবা, মণিপুরগী মোরে লমদমগী বাউন্দরিদা খারিবা শম্বল, মণিপুরগী লম ওইরিবা মোরে (ইন্দিয়াগী লম) রোমদা হেঞ্জিল্লক্তুনা খাজিল্লকপগী ইস্যু, থৌদৌসিগী ওইনদি মমাঙদসু, লৈবাক অনীসিগী খায়নফমদা যুংবা যূম্বীশিং ইন্দিয়াগী লম ওইরিবা মণিপুররোমদা চঙশিল্লক্তুনা হেক হেক য়ুংশিল্লম্বগী ৱাথোকশিং মশীং থিঙমদনা লৈখ্রে। অনীশুবদা, য়ূমথংনরিবা নাগালেন্দ ষ্টেটকী লালহৌবা ওইরিবা এন এস সী এন (আই-এম) না মণিপুরগী মনুংদা লৈবা নাগা ত্রাইবনা তারিবা চীংগী লমদমশিং খুদিংমক, সাউথ নাগালেন্দ নৎত্রগা নাগালিম হায়না মিংথোন্দুনা নাগালেন্দ ষ্টেটতা পূনশিনগনি হায়বগী অচৌবা ইস্যু অমা লৈরি। ইস্যুসি মায়থীবা পীনবগীদমক লমদমসিগী মীচম মীয়াম্না মতম লৈবা খিবিক্তা শেম শাদুনা লৈরক্লি। থৌদৌসিসু থোকপু থোক্লবদি লায়রোই, মমাঙদা মীওই ১৮গী থৱায় কৎখ্রবনি। অহুমশুবদা, মতম কয়াগী মমাঙদগী হৌনা মণিপুরগী লম ওইনা ময়েক শেংনা লৈরক্লবা মাওদা লৈবা জুকো ভেল্লিগী এরিয়াদা নাগালেন্দ ষ্টেটকী কাঙবুশিংনা নৌনা থোকহল্লকপা চয়েৎনবগী ইস্যুনি। ইস্যুসিসু অচৌবা ইস্যুমক নৎত্রবসু মতম অমদা, মীৎকুপ অমদা হেক্তা ৱাথোক ওইনবা য়ারিবা ইস্যু অমনি হায়বসিদি হায়দবা ঙল্লোই। ইস্যু পূম্নমকসিনা মণিপুরগী বোর্দর এরিয়াশিংদা মতম অমা নৎত্রগা অমদা হেক্তা ৱাথোক-লান্থোকশিং থোক্লবা য়াই। অসুম্না, লৈবাক্কী ওইবা ইস্যুশিং অমদি প্রোব্লেমশিংগী মতাংদা ঙাইহাক লৈতনা কোক শাহনবনা খোইরাং-খোয়শাওনরবা লৈবাক মীয়াম হায়বদু মণিপুরগী মীয়ামসিদি মতম চূপ্পদা ওইদুনতা লৈরবনি। হীরমসিদা মণিপুর লৈঙাক্কী হৈ-শিংবা অমসুং মীয়াম্বু ফাথবা নৎত্রগা লাকশিনবা ঙম্বগী থৌনাবু মতম পূম্বগী ওইনা লৈবা মথৌ তাই। কোক ঈংথবা ঙমদ্রবা ঙসিগী মণিপুরী খুন্নাইসিগী অনীংবা অপাম্বশিংবু ঙসিগী মণিপুরগী লৈঙাকসিনা তপ্না-তপ্না, ৱাথোক-লান্থোক অমত্তা থোকহন্দনা থুংহনবীবা পাম্মী। লৈঙাক অমা ওইরবনিনা মণিপুর লৈঙাক্সু পূম্নমকসি শোয়দনমক্কী ময়েক শেংনা উবিরমগনিসু খল্লি।

মথক্তা পনখ্রিবা তোঙান-তোঙানবা দিমান্দশিং অমদি ইস্যুশিংগী মতাংদা মতম লৈবা খিবিক্তা মণিপুরী খুন্নাইনা মশীং থিঙমদ্রবা খোঙজং কয়ামুক চঙশিন্দুনা লাক্লি। ঙসিসু খোঙজংশিংদু চঙশিনবগী লোইবা খন্বা খক নাইদ্রি। খোঙজং চঙশিল্লবসু লৈবাক্কী অঙম অথৌশিংসিনা পাক হেক তাল্লিবা পান্দমশিংদু থুংহনবীবা নত্তে। মমাঙদা খোঙজংশিংদু চঙশিন্নবা হোৎনবদা মীশি মীনা কয়ামরুম অমা থোকখ্রে, কয়ামরুম অমসু শোয়নাইবশিং ওইদুনা হকচাংগী ফীভমশিং কায়না হিংহৌরি। পূম্নমকসিদা নীংহন্নগদবা মণিপুরী খুন্নাইদুদি ওইরমদবসু য়াই। অদুবু লৈবাকসিগী মীপূম খুদিংমক্না, খুন্নাইসিগী করম্বা মীওইশিংনা শোয়খিবদগী নৎত্রগা মশাগী মথৌ মশক খঙনা পাঙথোকহৌদবদগী হৌজিক্তা মণিপুরগী মীচম মীয়ামশিংনা অসুক ৱাবা অমসুং পুবা থাংবা ঙল্লোইদবা থৌদাংশিংসি ইথৌ ওইনা থুংবীরক্লিবনো হায়বা ৱাহংসিসু মরক-মরক্তা হংনরক্তবা নত্তে। ঙসি মৈতৈশিংনা সেদ্যুল ত্রাইব ওন্নীংলক্লিবসি করিগীদমক্তনো? মতম অমদা কনানা কৈদৌহৌবদগী নৎত্রগা করি তৌশিনখিবদগী মতাং মতম চানা মৈতৈশিংনা সিদ্যুল ত্রাইব ওইহৌদবনো? মশীং থিঙমদ্রবা মীরোলশিংনা হৌখ্রবা মতুংদা, শুপ্নতগী ঙসি খক্তদা মৈতৈ কাঙলূপনা সেদ্যুল ত্রাইব ওইনীংলক্লি। তাঞ্জাসিদা সেদ্যুল ত্রাইব ওলহৌদ্রবদি মৈতৈশিং হিংবদা ৱাগদৌরি হায়বসি শুপ্নগী ঙসিখক্তদা মীকপ থোক্নরকপগুম তৌরি। অদুমকপু থৌদৌসিমক্তি থেংলবসু থেংনা অচুম্বা থৌদৌনি হায়দবদি ঙল্লোই। পুৱারীগী থৌদৌশিংবু হৌজিক খক্তা, ইমাঙদা থোক্লবগুম খন্নরুবদি চুল্লোই। তৌবদবু, হৌজিক্তা খুন্নাইসিনা পেন্নদবা থৌদৌশিং কয়ামরুম থেংনরক্লিবসি মতম অমদা ঐখোয়গী লুচিংবশিংগী হাকথক্তা শোয়খি-লানখিবা কয়ামরুম য়াওখিবগী, হৌজিক্তদা ফংলকপা মহয়শিং ওইগনি হায়বসিদি চুমগনি। ঙসি খোঙজং কয়ামুক চঙশিন্দুনা ফংনবা হোৎনগদৌরিবা পান্দম কয়ামুকসি, শুপ্নগী মৈতৈশিংনা সেদ্যুল ত্রাইব ওন্নীংলকপগী ৱাফমসি খক্তসু নত্তে। কেবকীসু, আই এল পিগীসু, বোর্দরগী ইস্যুগীসু পূম্নমকসি ঐখোয়না মতম চানা-চানা চেকশিনহৌগদবা কয়ামরুমদু চেকশিনহৌদবদগী থোক্লকপা ৱাথোকশিং ঙাক্তা ওইগদৌরিবনি। শোয়বনা অচৌ-অশাংগী লেবেলশিংদা শোয়খ্রগা, মেল্লমদাইদনা খুন্নাইসিগী মতিক মঙাল লৈজদবা মীচমশিংদা হেক হেক তারকপসি, তশেংনমক নুংঙাইতবা পোকই অমসুং অচুম্বা থৌদৌশিংনি হায়নীংদে। অদুবু, মথক্তসু পঞ্জখ্রিবদুনি, পূম্নমক হৌজিক্তি খুন্নাইসিগী ওইনা লৌমীন্নরগা, তৌদবা য়াদবা অমসুং পাঙথোক্তবা য়াদবা লমদমসিগী অপূনবা মীয়ামসিগী অপূনবা ইথৌদাংদুনি হায়না লৌমীন্নদবা য়াররোই। থৌদৌশিংসিগীদমক ঐখোয়না কনাদা করি হায়রুগনি? ঐখোয় মশেল মতৌ করম্নসু অমগা অমগা ইরালশিং থৈজিন্নরুগনি? তৌবতবু, তুংদা থোক্লগদবা থৌদৌশিংগীদমক, ঐখোয় মীৎ-নাকোং শিংনা অমসুং ইশাগী লৌশিং মাঙহন্দনা, খোঙথাং খুদিংমক্তা পোরম চুম্না থাংমিন্ননবা হোৎনবদি চুমগনি।

ঙসিগী মণিপুরী খুন্নাইসিনা থেংনরিবা তোঙান-তোঙানবা ইস্যু মখলশিংসি ইরমদমসিগী পুৱারীগী শরুকশিংদগী হৌরগা ঙসি ফাওবদা পানখিবা অচৌ-অশাংশিং অমদি লীদরশিং কয়ামুক্তুনা লান্না থাংজিনখিবা খোঙথাংশিংদুগী মহয়নি হায়বসি হঞ্জিন-হঞ্জিন নৈনখ্রে। হৌজিক্তি মখা তানা অমুক হন্না, অসিগুম্বা থৌদৌশিংসি (শোয়খিবা খোঙথাংশিংসি) থোকহন্দনবা হোৎনহৌরসি। পাল্লিবা লৈঙাকসিনসু লৈঙাকসিগী মতমদা, তুংদা হৌরক্কদবা মীরোলশিংগীদমক খনবীরগা, তুংদা লেপ্তুনা পন্নহৌগদবা অশোয়বা মখলগী খোঙথাংশিং, রুলশিং অমদি এক্টশিং অমত্তা লমদমসিদা পার্মিনেন্ট ওইনা চৎনহনবীরমগনু।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।